**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 26-09-2024)**

**সিএমও (এল)ঃ** খুৎলায় পায়বা মীওইশিং চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বা পাউদা য়ুম্ফম ওইরগা মুখ্য মন্ত্রিগী ওফিসনা মীয়ামদা মীপায়বীদনবা আপিল তৌরক্লি।

রাজ্যগী ইনর্ফোমেসন অমসুং পব্লিক রিলেসন্স বিভাগনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-খুৎলায় মতিক চানা পায়বা ত্রেন তৌরবা লালহৌবা ৯০০ রোম চংল্লকখ্রে হায়বগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রি ওফিসনা রাজ্যগী পুলিস বিভাগকা পাউ ফাওনদুনা মনিপুর পুলিসনা মসিগ লৈজবী মেছিনরি অমসুং নেটৱার্ক শিজিন্নদুনা করি থবক লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু য়েংশিন্নবা খঙহনখ্রে।

চেরোল অদুনা হায়-লালহৌবশিং অসিনা মখোয়গী থৌওং চথরক্কনি হায়বগী চাং নেম্মী। মরম অদুনা মীয়ামনা হীরম অসিগী মতাংদা মীপায়নিংঙাই লৈতে।

অমরোমদা, ম্যান্মারদগী নীংথিনা ত্রেন তৌরবা কুকি মিলিটেন্ট ৯০০ রোমনা মীতৈশিংদা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা এট্রেক চথুগনি হায়বগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা জাতি কাংলুপশিংদগী ৱাফম কয়া ফোংদোরক্লিবা অদুগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা সেক্যুরিতি এদভাইজর-কুলদিপ সিংহ অমসুং দি.জি.পি. রাজিব সিংহনা সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-হায়রিবা ৱাফম অসি তোঙান তোঙানবা মায়কৈশিংদগী য়েংশিনবদা মদুগী চপ চাবা প্রমান লৈতে। হায়রিবা ৱাফম অসিদা হৌজিমক্কী ওইনা থাজনিংঙাই ওইদে। অদুমওইনমক, সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনামীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন-থুম ঙাক শেন্নবা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈহল্লি। লমদম অসিদা লৈরিবা জাতি কাংলুপশিংবু অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনরি। মরম অদুনা অসিগুম্বা য়ুম্ফম য়াওদবা পাউশিং অমসুং তোকঙাদা য়ারিবমখৈ থাজবীদনবা হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা, মীয়ামনা য়ারিবমখৈ তোকঙা অমসুং য়ুম্ফম য়াওদবা পাউশিংদা থাজবীদনবা আপিল তৌরি।

চেরোল অমদা মনিপুর পুলিসনা হায়-রাজ্য অসিদা আইন অমসুং শান্তি রক্সা ঙাকা চৎননবা হোৎনবদা মীয়ামনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা মতেং পাংবীয়ু। চেরোল অদুনা হায়-চিং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক চত্থখি। মদুদা, থৌবাল জিলাগী তেকচম মনিং চিংদগী সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম. এস.এল.আর. অমা, মেগজিন য়াওবা এস.এম.জি. করবাইন অনি, পোইন্ট থারতি টু পিষ্টোল অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, ফিফতিৱান এম.এম. পেরা বোম অমা, হেন্দ গ্রেনেদ মরি, ট্যুব লোঞ্চর অনি, ইর্ষ্টন গ্রেনেদ অমা, স্তিংগর গ্রেনেদ অমা অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে হায়রি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী নালোনদগী লান্মী, বি.এস.এফ. অমসুং মনিপুর পুলিসনা পোম্পী অচৌবা অনি অমসুং গ্রেনেদ অনি ফাগৎপা ঙমলে।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী চীংমাং বমদিয়ার মচিন মনাও চিংদগী মনিপুর পুলিসনা মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর. অমা, আর.পি.জি. সেল অনি, আর.পি.জি. সেল চার্জর অনি, হেন্দ গ্রেনেদ মরি, ৱয়ারলেস হেন্দ সেট অমা ফাগৎলে।

**সনাজাউবা(এল)ঃ** সেনাপতিদা লৈবা শ্রী পাসুপতিনাথ মন্দির লুট তৌনবা হোৎনরম্বা অমদি মৈ থারম্বগা থৌদোক অদুবু রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা কন্না নুংনাংবা ফোংদোরক্লি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়-ভারতকী নাগরিক অমা ওইনা অসিগুম্বা থৌওং অসি য়ানিংদবা ফোংদোকফম থোকই। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফানবা হোৎনগদবনি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী তোঙান তোঙানবা থৌ পুগদবা মীওইশিংগী মিং লাউথোকখ্রে। দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট- শ্রী হরিশ্বোর গোশ্বামীনা চীফ স্পোক্স পার্সন ওইরগনি। মসিগী মথক্তা সেনিয়ার স্পোক্স পার্সন অনি, স্পোক্স পাসর্ন ১০ অমসুং মেদিয়া পেনেলিষ্ট তরুক হাপলে।

**নোনে(এল)ঃ** হৌখিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা নোনে জিলাগী মফম কয়াদা মৈ ফংদবনা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা শিৎখিবা অকনবা নুংশিৎনা য়ুরেম্বম অমসুং নোনেগী মরক্তা তিংবা ত্রান্সমিসন লাইনশিং তৎখিবদগী জিলা অদুদা মৈ পীবদা খুদোংচাদবা মায়োকরি। ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়-ইলেক্ত্রিক্ট লাইনশিং শেমজিনবগী থবক চথুরি। অদুমওইনমক, নোং কন্না চুবা মরমনা থবক শুবদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরি। জিলা অদুগী মীয়ামনা জঙ্গল ফাওদুনা পুরিবা ইলেক্ত্রিক্ট ৱয়ারশিং অশোয় অঙাম থোক্তনবা মীণি টৱার পোলশিং য়ুংবীনবা মরি লৈনবশিংদা আপিল তৌরক্লি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহারাস্ত্রদা লুপা কোতি লিশিং ২২,৬০০ হেনবগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাগনি, খরগীনা যাত্রা হুনগনি। প্রধান মন্ত্রিনা পুনেদা চৎতুনা দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতগী স্বার গেট তমা চৎকদবা মেত্রো ত্রেনসু লমথাগনি।

সুপর কম্প্যুটিং টেকোলোজিগী লমদা ভারতপু মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওহনবা থৌরাং অদুগী শরুক অমা ওইনা প্রধান মন্ত্রিনা পারম রুদ্রা সুপর কম্প্যুটর অহুম লৈবাক অসিগী মীয়ামদা খুৎশিন্নগনি। সুপর কম্প্যুটর অসি নেসনেল সুপর কম্প্যুতিং মীসনগী মখাদা লুপা কোতি ১৩০ না লৈবাক অসিদা শাজবনি। হায়রিবা কম্প্যুটর অসি পুনে, দিল্লি অমসুং কোলকাতাদা

থমদুনা সাইন্টিফিক রিছার্সতা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঈশিং নুংশিৎকী মরমদা থিজিনগদবা অৱাংবা থাক্কী কম্প্যুটিং সিষ্টেম অমসু শঙ্গাগনি। লুপা কোতি ৮৫০ চংনা পায়খৎখিবা প্রোজেক্ট অসিনা মেতিওরোলোজিকেলগী লমদা অচৌবা খোঙথাং অমা ওইরগনি।

**থবকঃ** লৈবাক অসিদা থবক ফংদবগী সমস্যা মমাং চহিগা য়েংনরুবদা শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থরে হায়রি।

কেন্দ্রগী ষ্টেটিষ্টিক অমসুং প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেসননা চহিগী ওইনা ফোংবা পেরিওদিক লেবর ফোর্স সর্ভেগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী ওইনা থবক ফংদবগী চাং অসি ২০২৩-২৪ দা চাদা ৩.২ ওইখি। মসি ইং ২০২২-২৩ দদি চাদা ৫.১ ওইখি। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না হরিয়ানা, তামিল নাদু, ছাতিসগর অমসুং মধ্য প্রদেসতা থবক ফংদবগী সমস্যা শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থরে। থবক ফংদবগী সমস্যা হন্থরবসু রাজ্য খরদদি থবক ফংদবগী সমস্যা ৱাংনা লৈরি।

গৱানা খ্বাইদগী ৱাংনা থবক ফংদবগী চাং অসি চাদা ৮.৫ ওইরি। মসিগী মতুংদা কেরলা অমসুং নাগালেন্দনা চাদা ৭.২ অমসুং ৭.১ ওইরি। চহি ১৫ দগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা থবক ফংদবা নহাশিংগী ওইনা য়েংবদা কেরলাদা থবক ফংদবা নহাগী চাং অসি চাদা ৩০ রোম ওইরি।

**ইন্দিয়াঃ** এসিয়া মহাদেসতা ভারত খ্বাইদগী শক্তি লৈবা অহুমশুবা লৈবাক ওইরে।

এসিয়া পৱার ইনদেক্স রিপোর্ট ২০২৪ গী মতুং ইন্না ভারতনা জপানদগী হেনগৎখিবনি। রিপোর্ট অদুনা হায়-কোবিদ নাইন্তিন লায়চৎ মতুংদা ভারতনা শেল থুমগী লমদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙমলে। রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়-মালেমগী ওইনা য়েংবদা ভারতনা অতৈ তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদসু খুমাং চাউশিনবা ঙমলে। মায় পাকপশিং অসিনা ভারতপু এসিয়াগী লৈবাকশিংগী

মনুংদা খ্বাইদগী চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লগনি।

**ফুটবোলঃ** ভিয়েটনামগী লাউদা চথরিবা এ.এফ.সি. অন্দর টোইন্তি এসিয়া কপ ক্বালিফাইয়রগী অহৌবা মেটচতা ভারতনা মঙ্গোলিয়াবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইরে।

গ্রুপ (সি) দা ভারতনা পোইন্ট ৩ ফংলি। ভারতকী গোলশিং অদু কোরৌ সিংহ থিঙুজমনা ২, কেলবিন সিংহ অমসুং মালেমথাং কিপজেননা অমমম চনখিবনি। হয়েং ভারতকা ইরানগা শান্নগনি। গ্রুপ অসিগী মকোক থোংবা টিম অনি অদুনা চাইনাদা মথং চহিদা শান্নগদৌরিবা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা-কুকি মিলিটেন্ট ৯০০ চংশিল্লকপা লৈতে হায়না সেক্যুরিতি এদভাইজরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, সেনাপতিদা লৈবা মহাদেবগী লাইশঙ মৈ থাননবা হোৎনরম্বা অমসুং লুপ ৪ গী ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী মতম কক্তবা সটদাউন্দ তৌখিবগী পাউনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-কুকি ৯০০ চংল্লকখ্রে হায়বা পাউ অচুম্বনি অদুবু খুদমদি ফংদ্রি-কুলদিপনা ফোংদোকখিৱা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পিপলস ক্রোনিকলদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা-সেনাপতিদা লাইশঙ মৈ থারম্লে, শেল পুখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা লৈবা মহাদেবগী লাইশঙ মৈ থাননবা হোৎনরম্লে, মন্দোপকী

শরুক খরা অমাং অতা থোকখ্রে হায়বা পাউনা ঈচেল এক্সপ্রেসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর নুউজ পাউ-চেদা-মনিপুর পুলিসকী এন্টি দ্রোন গন ১০ লৈনবা প্রোসেস তৌখ্রে, চীংগী এরিয়াশিংদা দ্রোন হন্টিঠ টিম দিপ্লোই তৌরগনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-কুকি জিরিবামদা অকনবা লান্দা চথরকপা য়াই কিবদগী মুস্লিম ফাওবা ময়ুম থাদোকরে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। নেসনেল হায়ৱে ৩৭কী তৌসেম সব দিবিজনগী শরুক্তা মতম কক্তবা তোটেল সটদাউন হৌখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-লুপ মরিগী মতম কক্তবা শট-দাউননা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা গাড়ি কয়া পান্দুনা লৈখি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা কোলোন কেন্সর নাবগী চাং ৱাংখৎলক্লি হায়না সনা লৈবাক পাউচেদা এঙ্কর কলম ওইনা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-লাইশঙ মৈ থারম্ববু য়ানিংদবা ফোংদোক্লকপগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। থৌদোক অসিগী মতাংদা সেনাপতি পুলিসনা য়েংশিনবগী থবক চথখ্রে হায়ন মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-নাগা চিং ভিলেজতা খাউদোক্লবা ফৌ মৈ চাকপগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-ত্রক ১০০ হেন্না নেসনেল হায়ৱে নম্বর ৩৭ দা পনদুনা লৈরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।